# মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবগী মরাইবক -৩

## (মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়নগী মীৎয়েং)

– গোপীমোহোন থোকচোম –

নেশনল এৱার্দি, ১৯৮৬ (স্মোল স্কেল ওন্ত্রপ্রেন্যুওরস)
ত্রেজরর মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন

অমুক্কসু সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওল্লগা ঐখোয় পূম্নমক্কী অৱাবা চৈথেং, লায়র-অনং, শেঞ্জা-থুমজা, মথৌ চুম্না তৌদবা, শক তাখৎপা, ইশানা ইশাবু মশক খঙজদবা, ফূরুপ অসিগী ফনবা খন্দবা রিএক্সনরি ওইবা অসিনচিংবা পেন্দবা কয়াদুবু কোকপা ঙম্লগদ্রা হায়বা ৱাহং য়াওরিবনি।

মোঙ্গোলোইদ ফূরুপ ওইবদগী মরু ওইনা চেন্দবা য়াদ্রবা প্রমান কয়া লৈদুনসু ত্রাইবেলনিদি হায়নীংদবা, য়াম্না পোংলপ্না আর্য্য মচা মশু ওইজনীংবা মীতৈ/মৈতৈগী মরমদা মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যেরসনা তাল্লকপা পোৎচাক ইথনোগ্রাফি অসিগী য়ূস্ফম ওইগদবা মচল মঙা হায়বদি (১) তরং-তরং ফজবা মনাৎ লৈজবা (২) মীরক মীচন থিগনবা (৩) লন্বী থোং, লৌশিংগী মঙাল মপূং ফানা ফংদবগী চাওখৎপা ৱাৎপা মফম ওইবা (৪) অনৌবা লৌউ-শিংউগী খূৎশু-খূৎলায় মরাং কায়না শীজিন্নদবা, ইচম-চমজবা, নাৎ শাজৎ, মওং মতৌ লৈঙাক্কী ৱায়েল কাঙলোন পংইন ইন্দবা (৫) মপূং ফানা চাওখৎপগী মঙাল ফংদবা অসিনি। অদুবু অৱাবদি মীতৈ/মৈতৈগী মরাইবক্তি শেল পুথোক্তুনা, ইথনোগ্রাফি ইগদবা মী, নেকপীগদবা মণিপুর লৈঙাক কন্না মমিৎ উইশিল্লি, ঙাইখো, য়েংখিসিগী দশানা কন্না নল্লি হায়বনি। মসিগী দশা মপি অসিনা ঐখোয়গী হীরম কয়াদা মতম চানা মীৎয়েং চংহৌদবদগী ফংলকপা ফল ওইনা মশীং থিঙমদ্রবা মৈখু, বন্দনচিংবা ওল্লকপা কৈসু অঙকপা ওইরোই।

থবক্তগী পোত্থারবা অহল-লমনশিংনা মখোয় মশা-মশানা পামজদুনা শৌগৎচরবসু, মচা-মশু ময়ামদু অচৌবা ওইবা য়ানবা, ফংহৌনবা শিনবা অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদনবা অরোনবা এজেন্দা খরা য়াওনা চত্থরিব্রা হায়নসু মরাল শীজিল্লিবনি। মীওই খরনা মতম অমদা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি ওইরম্বা শ্রী জি কে পিলাইনা থবক্তগী পোত্থারবা মতুং কুমজা ২০১৩দাহৌদোক্লম্বনি অমসুং হু কামশিল্লম্বনি হায়না মতমদুদা এদিটোরিএল কলমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোঙদোরকখিবসু লৈ। অদুবু তশেংবমক্তি ঈহৌ অসি কুমজা ১৯৮১দা থোকখ্রবসু য়ানীংদবা কাঙলূপ্নদি চহী কুইদ্রিবা মান্নবা মচু শংনিংলি। অমুক্কসু কাঙলূপশিংগী মরক্তা ঈমু নাইমু তানবগী মতাং পনবসু উই। কুমজা ১৯৮১গী দিসেম্বর ৫দা মতমদুগী মণিপুরগী ওনরেবল গভর্ণরদা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওনবা পামদবা লূপকী থৌপাংলূপনা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোলগী মণিপুরীদা হন্দোকপা ৱারোল থাদোকপীরকপদদি মতম অদুগী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর রিশাং কৈশিংগী কেবিনেটকী ৱারোল হায়বদি মীতৈ/মৈতৈশিংবু এস টিদা চনবগী ৱারোল অদু ককথৎপীয়ু হায়বদুনি।

চীংগী লম পান্থগী চংলকপা য়ানবা লন্বী থিরকপনি হায়বসিদা এস টি ওইখ্রবা মতুংদা ত্রাইবশিংদুগী আর্টিকল ২৪৪গী মখাদা সেদ্যুল্ড এরিয়া মরু ওইনা হায়রিবা ত্রাইব অদুনা কুংনা/মপূং ওইনা তাবা মফম ওইগদবনি। লাইবক থীবদি লিষ্টতা য়াওরিবা ফূরুপ ৩৪ অসিগী মখোয় মখোয়গী ওইবা এরিয়া ঙসি ফাওবা লাউথোকখিদ্রি। ৱাফম অসি মখোয় ৩৪ খক্তগীদি নত্তে, অতৈ ষ্টেটতসু পীদবা অদুম লৈ। মতাং অসিদা নীংশিংবা নুংঙাইগদবা অমদি মণিপুরগী লেন্দ রেভন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্মস এক্ট ১৯৬০ অসিদা তম্পাক্কী চাদা ৮বু হায়রো (১০%বু হায়রবসু) মফম অসিখক্তংদা চৎনৈ। অতৈ মোরে, জিরিবাম, কাংপোকপী, চুড়াচান্দপুর, চান্দেল, খৌপুম তম্পাক্লচিংবা মফম খরদসু চৎনবা য়াওই। অতৈ লেমহৌরিবা চীংগী লম ওইবা মফমদুদা চৎনদ্রি। সর্ভে তৌদুনা লোইখ্রবা রিপোর্ট খরদি থন্বা উই। হায়রিবা লম অসি চীংমীশিংনা মখোয়গী মপা মপুগী লমনি খল্লি। অচৌবা কাঙলূপ নাগা কাঙবুগীনা ভিলেজ কাউন্সিলদা য়ামদ্রবদা মেম্বর ২০ (কুন) দগী তাদবশিংগী মীংদা লৈ, লন্নাই মীওইশিংগীসু লৈ। কুকি কাঙলূপকীনা ভিলেজ চীফকী নৎত্রগা নিংথৌগী মমিংদা লমশিংদু থম্মী। নুংঙাইরিবদি মণিপুরগী নিংথৌ পাল্লম্বা লৈঙাক মওং অদুদি মূথৎখিবা কুইখ্রে, ১৯৪৯দগী শক্তি পূম্বা লৌথোকখ্রবনি। অদুবু কুকি চীফ নৎত্রগা নিংথৌ হিংলি। The Manipur Hill Areas (Acquisition of Chiefs Rights) Act 1967 মতমদুগী Hon'ble President of India (L) Dr. Rajendra Prasad না জুন ১৪, ১৯৬৭তা অয়াবা পীদুনা এক্ট ওনখ্রবনি। গেজেট (Extraordinary) No. 61-E-50 Dated 20 March, 1967 দসু ফোঙখ্রবনি। মরাল লৈরিবদি ১৯৬৭কী এক্ট অসি মণিপুরদা লৈরম্বা লৈঙাকপশিংনা করি নুমিৎতা চৎনবা হৌহনগদগে হায়বদু লেপ্পা ঙমদদুনা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবদুনি। হায়রিবা লমশিং অসি মপু ওইবগী মওংসি করম্বা দোক্যুমেন্টনা লেপ্পিবনো? লম ময়ামদুগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াগা কয়াম য়েৎনরমগদগে? মফম অদুদা লন্বী ফজনা লৈতবা মফমসু য়াওরি, ঈশিং মরাং কায়না ফংদে, তম্পাক্কী মীতৈ/মৈতৈনা গৌড়িয়া ধর্ম্ম লৌরুবদগী চীংমীশিংনা ফাওবা য়াম্না হেন্না লৈনীংদ্রবা মফম অদুদা মীতৈ/মৈতৈশিংগী খুল শুক্তা তারোই। নুমিৎ খুদিংগী ইরুজহৌদ্রবদি চাক চানদবা, ঈশিং ৱাৎলবদি নুংঙাইবা মফম ওইগনি খন্দে। সিক্যুরিটিসু লৈতে। লমশিং অদুনা করি ফীভমদা লৈরিবগে? মপু কয়াগীনো? মরম অসিনা তম্মীনা চীংদা থৱায় তানা চৎলোই। পাম্বে করিমত্তা লৈজদ্রবা কাঙবুদি লাইবক য়েংনবা চৎলবসু য়াই। লৈঙাক্কী থৌমী ওইবশিং অমদি করবারৱালাশিংনসু চৎনীংবা য়াই। শমজিল্লবদা চীংদা তম্মীনা চৎপগী মশীংগা চীংমীনা তমদা কুমথরকপসিবু কনানা হেনগদগে? মখোয়গী চীংগী লম মাঙখ্রগনি হায়রিবসিবু মখোয়না তমদা লম লৈবা ফংবা য়াররোইদ্রা হায়বগী ওন্ন-তৈনবা অকিবদুরা? অদুবু মসিমদি শোয়দ্রে, চীংগী লৈরিবা লম পূম্বদু এস টিগী সেদ্যুল্ড এরিয়াগী মনুংদদি লৈ হায়বা গভর্ণরগী ওর্দরদি হৌজিক ফাওবদি লৈত্রি।

**য়ানীংবা কাঙবুগী ৱারোল**

কুমজা ১৯৮১গী মথক্তা পঞ্জখিবা কেবিনেটকী ৱারেপ অদু মতম অদুদা থবক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনখিদ্রবসু নৌনা ঈহৌ অসি মখা চত্থরকপা ওইনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীদা দিসেম্বর ১৮, ২০১২দা অমসুং মণিপুরগী গভর্ণরদা নবেম্বর ৩০, ২০১২দা মেমোরেন্দমশিং মথং মথং পীশিনখিনি, মে ২৯, ২০১৩দা কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফ্যেরস মিনিষ্ট্রিদগী মণিপুর লৈঙাক্তা ওফিশল ওইনা মীতৈ/মৈতৈগী এথনোগ্রাফিক রিপোর্টকা লোয়ননা লেটেষ্ট সোসিও ইকনমিক সর্ভে রিপোর্ট য়াওরগা পূন্না কেবিনেটনা রেকমেন্দ তৌরক্লবা চিঠি ইরকখ্রবনি। Dr. (Mrs.) L.K. Barthakur, Padma Shri অমসুং Padma Bhushan ফংখ্রবা অমদি নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী মেম্বর ওইরম্বনসু মতমদুগী মণিপুরগী গভর্ণর ওইরম্বা গুরবাচরঞ্জিদা মে ৩, ২০১৩দা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনবদা মতেং পাংবীনবা হায়জরকখিবা লৈখি। গভর্ণর মশানসু ইন্দিয়া লৈঙাক্তা রেকমেন্দ তৌবিখিবনি।

ঈশিংদা ইরাক্লরিভৈদা ইকা অমত্তা ওইরবসু লাম্মী হায়বা ৱাখল্লোন্দা, ফীভম চাদ্রিভৈদা খোঙদাফম অমা থিরগা ইশাগী ষ্টেটস অমা ফংনবা হোৎনবনা হেন্না লূম্না লৌরকপদগী ঐখোয়গী হৌখ্রবা/মাঙখ্রবা গ্লোরি, ইগো, আইদেন্টিটি মতম খরদং তুংওইনরম্লগা থম্লম্বগী ৱাফম্লি। মসিদা কৈরাক কাখৎপা কুমথবগী ৱাফম লৈতে। য়েলহৌমী, ত্রাইব, চীংমী ত্রাইবেল, তম্মী, নন-ত্রাইবেল, ইন্দিজিনস ইনহেবিটেন্ট ময়ামশিংগী ঈগী মরী লৈনরবসু, হৌরকফম তিন্নরবসু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওদবনা হান্না চল্লবা মণিপুরখক্তগী মশীং ৩৪গী মনুংদদি চন্দ্রে, অদুনা সর্টিফিকেট পায়দবা মাইনোরিটি ওইরকপা য়াবা তাঙ্কক অদুদা লৈরি। চাক্লুক মুন্নবগী ৱাফম অসোমদদি অসামদা হিল ত্রাইবেল, প্লেন ত্রাইব, নাগালেন্দদা বেকৱার্দ ত্রাইব, এদভান্স ত্রাইব হায়না মখল খায়দোক্তুনা থম্বগুম মখল অনী অনী শেন্নগা মাগী মাগী চাকথুং লেপ্পা য়াগনি।

চীংমীগী ক্বোটা মুনবিরে, চাক্লুক্তা খুজাই থাংজিনবীরে হায়বগী মতাংদা পঞ্জনীংবদি কাঙলূপ ১৫না মরু ওইনা খুন্দাবা নাগালেন্দ ষ্টেটকী Department of Personal and Administrative Reforms, Kohima না ফোঙবা থবক লৌবগী ফম ১০০ হাংলকপা তারবদি মদুদা চৎনগদবা রোষ্টর মওং অসিনা পাঙথোকপা য়াগনি হায়বদু মখাদা উৎলি।

ইন্দিজিনস ইনহেবিটেন্টস পূম্বগী খাক্কদবা ১শুবা, ৩শুবা, ৪শুবা, ৬শুবা, ৮শুবা, ৯শুবা, ১১শুবা, ১২শুবা, ১৪শুবা, ১৬শুবা, ১৭শুবা, ১৯শুবা, ২০শুবা, ২২শুবা, ২৪শুবা, ২৫শুবা, ২৭শুবা, ২৮শুবা, ৩০শুবা, ৩১শুবা, ৩৩শুবা, ৩৫শুবা, ৩৬শুবা, ৩৮শুবা, ৩৯শুবা, ৪১শুবা, ৪৩শুবা, ৪৪শুবা, ৪৬শুবা, ৪৭শুবা, ৪৯শুবা, ৫০শুবা, ৫২শুবা, ৫৪শুবা, ৫৫শুবা ৫৭শুবা, ৫৭শুবা, ৬০শুবা, ৬২শুবা, ৬৩শুবা, ৬৫শুবা, ৬৬শুবা, ৬৮শুবা, ৭০শুবা, ৭১শুবা, ৭৩শুবা, ৭৪শুবা, ৭৬শুবা, ৭৭শুবা, ৭৯শুবা, ৮১শুবা, ৮২শুবা, ৮৪শুবা, ৮৫শুবা, ৮৭শুবা, ৮৯শুবা, ৯০শুবা, ৯২শুবা, ৯৫শুবা, ৯৬শুবা, ৯৮শুবা, ১০০শুবা মশীং মখৈ। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ২৫

- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -

অতিনয়া/অতিয়া (the sky) অমদি মাইলেং/মালেম (the earth) অনীগী তাইনফম্বু/তিন্নফম্বু মী হায়বদুগী কোক অমদি হনচাং (হকচাং) অনীগী তাইনফম ওইবা কোকনুংগী কাংচিন (কাচিন) অসিনা মহুৎ শিন্না খঙনহল্লি (Represent তৌই)। হায়রিবা কোকনুংগী কাংচিন অসিবু মীতৈ-মৈতৈ কাঙলূপকী য়ূম অমমমদা কন্দুনা থম্নরিবা লৈনিংথৌ-কাচিন/সন্থোং কাংচিন/সন্নাইমাইহিং কাংচিন হায়রিবা অসিনা অমুক মহুৎ শিন্না খঙহল্লি। অদুগা হায়রিবা অতিনয়া অমদি মাইলেং অনীগী তাইনফম ওইবা মাইলেং লৈমাইথক অসিদা তাইবঙগী অচৎ-চত্ত থৱায় পানবশিংনা হিংনরিবা অসিবু কোকনুংগী কাংচিনদা চেনশিল্লক্লগা শিন-লাংদুনা লৈররিবা খোনগী মাইলোন হায়বদি ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিংনা (লাং) থংওইনুংগী ঈনা কাংলিবা অদুগা থানরকপা (ঈ) হায়বদি 'লাংঈ' (লাং+ঈ) ওইবা অসিনা মহুৎ শিন্না খঙনহল্লি। হায়রিবা খোনগী মাইলোন হায়বদি ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিংগা থংওইনুংগী ঈনা কাংলিবা অদুগা থানরকপা হায়বদি 'লাংই' ওইবা অদুবু মথক্তা পঞ্জখিবা লৈনিংথৌ-কাংচিন অদুদা ফংপান য়ারিবা অদুনা মহুৎ শিন্না খঙনহল্লি । অদুম্না চেনশিল্লক্লিবা খোনগী মাইলোনশিংনা খোনলৈদা অমুক লৈরকপদগী হায়রিবা খোনগী মাইলোন ওইবশিংবু খোনলৈনা (লৈ) থংওই মাগা থান্নবা নাইনা নীংবগা লোয়ননা (নিং) তাইলৈ তমনা থৌদারকপা (থৌ) অদুবু 'লৈনিংথৌ' হায়না কৌনবনি। হায়রিবা 'লৈনিংথৌ' মহাক্তি 'আতিনয়া' গী লাংওন ওইনবনি।

তাইবঙ হনচাং (হকচাং) মাগী 'আ' য়ৌনা ৱাংবা মফম ওইনরিবা অদুগা কোক্কীদি মখা ইথং থংবা অরোইবা শরুক হায়বদি কোক অমদি হনচাং অনীগী তাইনফম হায়বদি কোককী কাংচিন ওইনবা মফম অদুদা (আ) থংওই মাগা তিন্নবা (তিন) য়ানা চেনশিল্লক্লিবা খোনগী মাইলোন ওইবশিংবু (য়া) মথক্তা পঞ্জখিবা তাইবঙগী মিৎনাউঙমদবা লৈ (খোনলৈ) মহাক্লা শিন-লাংদুনা (লাং) হায়রিবা কাংচিন অদুদগী থংথবা নাইনা তাইলৈ তমনা লাংহনবা হায়বদি ওনথংলাকপা (ওন) অদুবুনি 'আতিনয়াগী লাংওন' হায়না কৌনগদৌরিবসি। লোয়ননা য়ুমদুগী অহল (আহন/আহল) ওইবা মহাক্তি হায়রিবা 'আতিনয়াগী লাংওন' ওইবা অদুগী লাংতাই অমনি হায়বদি 'লাংওন-লাংতাই' ওইনবনি। হায়বদি, য়ুম অদুগীদি 'পিবা' (পিপা) ওইনবনি লোয়ননা 'লৈনিংথৌ' হায়না শিংথানবনি।

মথক্তা পঞ্জখিবা খোনগী মাইলোন ওইবশিংবু খোনলৈ খোনবা লৈ মহাক্লা শিন-লাংদুনা (লাং) থংথবা নাইনা তাইলৈ তমনা ওনথরকপা (ওন) অদুনা মরম ওইদুনা তাইলৈদা অমুক শিন-লাংদুনা (লাং) তারক্লিবা খোনগী মাইলোন ওইবশিং অদুগা (তা) থংওইনুংগী ঈনা কাংনবা নাইনা লৈরকপা অদুগা চান্নবা (ঈ) অদুবুনি 'লাংওন-লাংতাই' হায়না কৌনগদৌরিবসি। খোনলৈনা পীরক্লিবা খোনগী মাইলোন ওইবশিং অদুবু (পি) তাইলৈনা পান্নদুনা লৈরকপা (পা) অদুবুনি 'পিপা' (পিবা) হায়না কৌনগদৌরিবসি।

ফংপানথক্তা লেংশিল্লিবা লুবাক মখুম (লুমপক মাইখুন) মনুংগী লৈনিংথৌ-লৈলেংপী অনীবু নোংমগী নৎত্রবসু ঐ ঐগী খুদোংচাগদবা অকক্লবা অফবা নুমিৎ অমমমদা ঈরাৎ ঈশোন (ঈলাং-ঈশোন) পাঙথোকচবা ঙমজবা অদুনা মথক্তা পঞ্জখিবা 'লাংওন-লাংতাই', 'পিপা' অমদি 'লৈনিংথৌ' ওইনা শিংথাবা য়াবা মী অমমম য়ুমদুদা লৈবা ঙম্লক্কনি। অদুগুম্বা মী অমমম অদুনা 'শা' ওইবগী থাক্তা কুমথদুনা হিংবগী মহুত্তা মী হায়বগী থাক অদুদগী কাখৎখিদুনা 'মীওইপা' হায়বা থাক অদুদা য়ৌবা ঙম্না হিংবগা লোয়ননা য়ুমদুদা লৈরিবা মহাক্কী তালোই, মচা-মশু, শুথাংনচিংববু অচুম্বা অমদি অশেংবা লম্পী ওইবশিংদা লমজিংবা ঙম্লকই।

ঐখোয়না তাখিবদা মতম অমগী অহল-লমনশিংনা 'মী ওইনবা হোৎনৌ' হায়না হায়রম্লিবাঅদুদি মশাগীতা খনবা হায়বদি 'শা' হায়বদু ওইগনু হায়বনি। 'নঙ মী ওইররোই' হায়না অহল-লমনশিংনা চৈবদা শীজিন্নরম্বা অসিদি মী হায়বদুগী থকাতগী কুমথরক্তুনা 'শা' হায়বদুগী থাক অদুদা হিংবা ওইরগনি হায়রম্বনি। মীতৈ/মৈতৈগী 'ফংপান য়াপা' হায়রিবা অসিদি য়ূম্বান কাংলোন (য়ুংপান-কাংলোন) অমনি, থংওই (থম্মোয়) পানবা মী হায়বদু ওইবা ঙম্নবা কোক অমদি হনচাং (হকচাং) কয়াৎকা মরী লৈনবা কাঙলোন অমনি। থৱায় পানবশিংবু নুংশিবা তম্নবগী ওইবা ঔরাইবা (practice) মখল অমনি।

থংওইনুংগী ঈনা কাংলিবা অদুগা (ঈ) পান্নবা নাইনা শিন-লাংলবা মতুং (লাং) অদুগুম্বা থংওইনুংগী ঈনা কাংনরিবা অদুগা লোয়ননা (ঈ) লৈনিংথৌ মাগী মিংখনহৈ (মিঙ্খ্রে) ওইববু শোঞ্জবা (শোন) অদুবুনি 'ঈলাং-ঈশোন' হায়না কৌনগদৌরিবসি। লৈনিংথৌগী মিংখনহৈ অসিখক্তা নত্তনা অতোপ্পা মিংখনহৈশিংবু মতৌ অসুম্না শোঞ্জবা অদুবুসু 'ঈলাং-ঈশোন' কৌনগনি। অদুগুম্বা মিংখনহৈ (মিঙ্খ্রে) ওইবশিংবু ঙসিগী মীরোল (মীলোন) অসিদা ঈলৈপাক অসিগী ফাউনলোল ওইনা শীজিন্নরিবা লোনতা-পুতা ওইবশিং (খঙনলোল হায়না কৌনবা য়াবা) অসিগী মহুত্তা হায়রিবা লোনতা-পুতা অসিগা খ্বাইদগী হেন্না নকশিন্নবা, অমরোমদনা হায়রিবালোনতা-পুতা ওইবশিংগী থোক্লকফম ওইবা হৌলকলোন (হৌরক্লোন) অমদি য়েলহৌলোন ওইবা লোনতা-পুতা ওইবশিং অদুগী ঈলাং-ঈশোন ওইনা শোঞ্জবা অদুনা অচুম্বাঅমদি অশেংবা ঈৱাই-ঈনিং ওইবশিংনা য়ুম/য়ুমদা লৈরক্কনি অমদি লৈরকফম থোকই হায়জনীংই।(মথং-মথং) ●

# য়াওল্লোই নেতাজী সুভাষচন্দ্র বোসকী মপোক নুমিৎ লাকপদা– (২)

- সোতিনকুমার -

ফম থাদোক্লবা মতুংদা সুভাষচন্দ্র বোসপু মীয়ান্না পান্নবা, থাগৎনবা হেল্লকখি অমসুং ইন্দিয়াগী মীপুম খুদিংমক্লা মহাক্কী মায়কৈ য়েংবা হেঙ্গৎলকখি। কোংগ্রেসকী মনুংদা লৈবা লেফটিজমদা থাজবা লুচিংবা কয়াগা পুন্না মহাক্লা হনবা লৈতনা ইন্দিয়া নীংতম্নবগী থবক অমসুং লাঞ্জং কয়া পায়খৎলকখি। মরক অসিদা মহাকপু ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসতগী তান্থোক্লকখি ।

মীখা পোল্লবা ইন্দিয়া অমসুং মসিগী নৈহৎপীরবা মীয়ামগী হিংবগী হক, পুন্সিগী মমল, লায়রবগী অৱাবা চৈথেং, হন্থনা য়েংবীবগী নিংদোন পোম্বা, তুংগী আশা উদনা চৎলিবা ইন্দিয়নশিংগী পুন্সিগী লন্বী, ইশানা শুজদুনা পুথোক্লিবা ইরমদমগী পোথোক ইচাদা পীজবা ঙমদনা মীচাদা পীজদুনা লৈবা, সাহেবশিংগী মীনাই ওইবদা কোক নোনখৎপা ঙমজদ্রবা ইন্দিয়াগী মীওই কোতি কয়াগী ওইরিবা অমসুং তুংদা ওইরক্কদবা ফিভমদা মঙলান্নরবা সুভাষচন্দ্র বোসনা বৃটিশকী য়াকা য়েংদুনা (কমপ্রোমাইজিং এটিট্যুদ) থবক তৌরিবা ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসনা অৱাবশিং অসি কোক্লনবগী লন্বী পীবা ঙমগনি থাজদবদগী তঙাইফদনা কুমজা ১৯৩৯গী মে ৩দা কলকাতাদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী অচৌবা মীফম অমদা ফোরৱার্দ ব্লোক হায়বা রাজনিতি দল অমা শল্লে হায়দুনা লাউথোকখি। কুমজা ১৯৩৯গী জুন ২২ দা ফোরৱার্দ ব্লোককী অহানবা ইন্দিয়া পুম্বগী সেশন অমা বোম্বে (মুম্বাই) দা ফমখি।

কুমজা ১৯৪০গী মার্চ থাদা বিহারগী রামগরদা ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসকী অচৌবা সেশন অমা ফল্লম্মী, হায়রিবা মফম অদুমক্তদা মতম চপ মান্ননা সুভাষচন্দ্র বোসনা এন্টি কমপ্রোমাইজ কনফরেন্স অমা কোংগ্রেসকী মীফম অদুবু শিংনদুনা পাঙথোক্লম্মী।

মীফম অনী অদু মতমদুগী রাইটিষ্ট অমসুং লেফ্‌টিষ্ট, কমপ্রোমাইজ অমসুং এন্টি কমপ্রোমাইজকী, কন্সটিট্যুসনেলিজম অমসুং রিভল্যুস্নরিগী শীংনবা অমা ওইখি। সুভাষচন্দ্রগী লেফ্‌টিষ্ট এন্টি কমপ্রোমাইজ কনফরেন্স অদুনা কোংগ্রেসকী মীফম অদুবু মহি ময়াই চমহন্দুনা খুন্তাক লানশিনহনখি অমসুং মহাকপু ইন্দিয়া পুম্বনা রিভল্যুস্নরি লেফ্‌টিষ্টকী সিম্বোল ওইনা খঙনখি।

ইন্দিয়া পুম্বগী মীয়াম পুনশিন্নদুনা লৈবাক শিনবা থুংনা চপ চাবা পার্টি দিসিপ্লিন অমগী মখাদা মীয়ামগী ঈহৌ অমদি পোলিটিকেল এক্টিভিটি কয়া পায়খৎনবগীদমক মপুং ফাবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা 'ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক' কী অহানবা নেসনেল পার্টি কনফরেন্স কুমজা ১৯৪০গী জুন ১৮দগী ২২ ফাওবা নাগপুরদা পাঙথোক্তুনা নেতাজী সুভাষচন্দ্র বোসপু পার্টি অসিগী অহানবা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি অমসুং পার্টি অসি সাইন্টিফিক সোসিয়েলিজমদা থাজজবা সোসিয়েলিষ্ট পার্টি অমনি হায়না লাউথোকখি।

পার্টি অসিনা থাজৈ মদুদি করিগুম্বা সিষ্টম অমা শাগৎপা মতমদা লমদম অদুগী সোসিও ইকোনোমিক, পোলিটিকেল অমসুং কলচরগী দরকার ওইবা অমসুং এনভাইরনমেন্ট য়েংবগা লোয়ননা সিষ্টম অদুবু থবক ওইনা পায়খৎপদা লমদম অদুগী জিওগ্রাফি, হিষ্ট্রি, কলচর অমসুং সোসিয়েল কন্দিসনগা চান্ননা শেমদোক্তনা নমদুনা মপালগী রেদি মেদ সিষ্টম অমা মপুম ওইনা পানশিনবা কৈদৌঙৈদা য়ারোই। করিগুম্বা নমদুনা মীরমদগী সিষ্টম অমা মপুম ওইনা পানশিন্নবা হোৎনরবা মদু কৈদৌঙৈদা মায় পাকপা ঙম্লোই। মরম অসিনা ঐখোয়গী ইরমদম অসিগা চান্ননা শেমদোক্লবা ইন্দিয়ান ফোর্ম ওফ সোসিয়েলিজম অমা শাগৎতুনা নেসনেলিজমগা পুন্না চৎমিন্নবা সোসিয়েলিষ্ট নেসন অমা শাগৎপনা পার্টি অসিগী মপুং ওইবা পান্দমনি।

কুমজা ১৯৪০গী জুন ২২দা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা হেক শাফোঙবগা বৃটিশকী মায়োক্তা দাইরেক্ট এক্সন প্রোগ্রাম ময়াম অমা ইন্দিয়া শীনবা থুংনা পার্টি অসিনা চঙশিল্লম্মী। মৈ হৌগদবগী অয়ৌবা থাক্তা লৈরবা মৈফমদা থাউরিক অমতং খিক্লবদা খঙহৌদনা অকিবা ফংলবা মৈজাও হৌরকপগুম, ওৎপী নৈবীবগী অৱাবগী ৱামৈনা ওমদুনা মৈরি থোক্তনা লৈরবা নীংখা তন্নিংবগী ইখৌ লাংবনা থম্মোয় কংলবা ইন্দিয়াগী মীয়ামদা নেতাজীনা লুচিংলিবা ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোককী অন-কমপ্রোমাইজ দাইরেক্ট ইন্দিপেন্দেন্স ষ্ট্রগলগী ৱাপাউ মরিক অমত্তং ফংখিবদগী ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা অকনবা নীংতম ঈহৌগী অনৌবা মায়ওল অমা লাকখি।

হৌরক্লিবা মীয়ামগী অকিবা ফংলবা অনৌবা ঈহৌ অদুদা মীপায়রবা বৃটিশ লৈঙাক্লা নেতাজী সুভাষচন্দ্র বোসপু কুমজা ১৯৪০গী জুলাই ২দা ফাজিন্দুনা জেলদা থমখি। অসিগুম্বা বৃটিশ লৈঙাক্কী থৌদৌ অসিনা মহাক্কী মমল য়াল্লবা মতমশিং অরেম্বদা মাঙহন্দুনা নীংতম ঈহৌদা থিন্থহনবতা নত্তনা মৈরী মকা লান্না চাকখৎলক্লিবা ইন্দিয়া মীয়ামগী ঈহৌ হনখিবা তারে খনবদগী নেতাজী সুভাষচন্দ্র বোসনা বৃটিশ লৈঙাক্তা মহাকপু জেলদগী থাদোক্লবা তকশিন্দুনা জেল মনুংদা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লম্মী। চরা হেনবা হপ্তা অমা শুজিল্লক্লবদা ইন্দিয়া পুম্বদা অকনবা ঈরাং কয়া থোক্লকপদগী বৃটিশ লৈঙাক্লা সুভাষপু জেলদগী থাদোক্লম্মী। অদুবু মতম পুন্নমক্তা কুপ্না শেন্নদুনা লৈরম্মী।

মতম অদুদা বৃটিশ লৈঙাক্কী অঙকপা অমা ওইনা সুভাষচন্দ্র বোসনা মশানা মশাবু মহাক্কী কাদা নুমিৎ নিফুনিরোম সেল্ফ কনফাইনমেন্ট তৌদুনা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিং ফাওবা কনা অমত্তগা উনদনা লৈরম্মী অমসুং মতম অসিদা মহাক্লা ইন্দিয়া মনুংদা লৈরবদি নীংতম ঈহৌ অসি মাঙদা চঙশিনবদা ৱারগনি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী মপান্দগী বৃটিশকী য়েক্লবা লৈবাকশিংগা পুন্দুনা বৃটিশকী মায়োক্তা লান থেংননবা অমসুং মদুগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদগী নাম্থোকখিনবা অরোনবা থৌরাং পুন্নমক শিন্দুনা কুমজা ১৯৪১গী জন্যুৱারী ১৭কী অহিং নোংয়াইদা অকিবা অমসুং খুদোংথিবনা থল্লবা খোঙচৎ অমদা ইন্দিয়া ইমাবু বিদাই পীরমখি। মহাক্লা জর্মন অমসুং জপানগী লুচিংবশিং উনদুনা ইন্দিয়াগী মপান্দা লৈবা ইন্দিয়া মচাশিং খোমজিল্লগা বৃটিশকী মথক্তা ইন্দিয়াগী নীংতম লাঞ্জং চঙশিন্ননবা ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মি (আই এন এ) লিংখৎখি অমসুং কুমজা ১৯৪৩গী ওক্টোবর ২১দা প্রোভিজনেল অজাদ হিন্দ গভর্নমেন্ট সিঙ্গাপোরদা শেমদুনা ওক্টোবর ২৩গী অহিং নোংয়াইদা বৃটেন অমসুং অমেরিকাগী মথক্তা লান লাউথোকখি। নুমিৎ খরনিখক্কী মনুংদা প্রোভিজনেল গভর্নমেন্ট অদুবু জপান, জর্মনি, ইতালি, ক্রোসিয়া, বর্মা, থাইলেন্দ, চাইনা, ফিলিপ্পিন্স অমসুং মাঞ্চুরিয়া হায়রিবা লৈবাক মাপল অসিনা ওফিসিয়েল ওইনা শক খঙলে হায়না লাউথোকখি।

নেতাজী সুভাষচন্দ্র বোসনা ইন্দিয়াদগী হেক নাম্থোকখিবদগী ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক্কী লুচিংবশিং অমসুং মেম্বরশিংদা বৃটিশ লৈঙাক্লা তমথিবা মীওৎ মীনৈ, ফাবা-পুনবা অয়ৌবী থাক্তা চত্থরক্লম্মী, পার্টি অসিগী লুচিংবা কয়া জেলদা ফাজিন্দুনা ওৎ নৈরম্মী। বৃটিশনা শেম্বা আইন 'ন্যু দিফেন্স ওফ ইন্দিয়া রুলস (রুলস ২৭ এ) গী মখাদা পার্টি অসি থিংজিল্লে হায়দুনা কুমজা ১৯৪২গী জুন ২৩দা লাউথোক্লম্মী।

নুমিৎ অদুদগী পার্টি অসিগী মেম্বর পুন্নমক অন্দরগ্রাউন্দ তাখি অমসুং ইন্দিয়া শিনবা থুংনা মীচম মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা অরোনবা নীংতম লাঞ্জং লেপ্পা লৈতনা, হনবা নাইদনা চঙশিল্লম্মী।

নেতাজী সুভাষচন্দ্রগী লমজিংদা চঙশিল্লকখিবা অকনবা লানফমগী মনুংদা বর্মাদা মায়থীরবা মতুংদা নেতাজীনা সোভিয়েট য়ুনিয়নদা চৎতুনা ইন্দিয়াগী নীংতম লান মখা চত্থনিংখি। নেতাজী জপানীজ সুপ্রিম কম্মান্দরদা সোভিয়েট য়ুনিয়নদা চৎননবা ৱাফম পুখৎখি। অদুবু জপানিজ সুপ্রিম কম্মান্দরনা মহাক্কী ৱাফমসিদা য়াখিদে। লোয়ননা টোকিওদা হল্লক্লবা শিনখি। টোকিও চৎপগী লন্বীদা সাইগোনদা জপানিজ বোম্বর প্লেন অমদা অমুক তোঙদুনা টাইৱান তান্না পাইখি। অদুবু অঙকপা মওংদা টোকিও রেদিওনা অগষ্ট ২৩, ১৯৪৫ কুমজাদা নেতাজীনা তোংলিবা প্লেন অদু টাইহোকু এয়াপোর্টতগী পাইখৎপদা কায়খ্রে হায়না লাউথোরকখি অমদি শাথিনা শোক্লবা নেতাজী টাইহোকুগী মিলিটরি হোস্পিটালদা লায়কন্নরবা মতুংদা নুমিদাংদা লৈখিদ্রে। টাইহোকুদা অরোয়বা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা তুংদা মাগী উৎ অদু টোকিও মনাক্তা লৈবা রেনকোজি টেম্পলদা থমখি হায়না লাউথোরকখি।

অন্দরগ্রাউন্দ তারবা পার্টি অসিগী অখন্নবা লুচিংবশিংনা মধ্য প্রদেশকী জবলপুরদা কুমজা ১৯৪৫গী ফেব্রুৱারী থাদা অরোনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা পার্টি অসিগী এক্সন প্রোগ্রাম কয়া য়াৎথোক্লম্মী। মীফম অদুনা পার্টি অসিগী ইদিওলোজি অমসুং প্রোগ্রামগী মতাংদা ৱারেপ অসি অমুক্লা হেন্না চেৎশিন্না য়ানররম্মী, মদুদি 'ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক ইজ এ সোসিয়েলিষ্ট পার্টি, এক্সেন্টিং দ থিওরি ওফ ক্লাস ষ্টগল ইন ইটস ফুল্লেষ্ট ইমপ্লিকেসন্স এন্দ এ প্রোগ্রাম ওফ রিভলুস্যুস্নরি মাস এক্সন ফোর দি এটেনমেন্ট ওফ সোসিয়েলিজম লিদিং টু এ ক্লাসলেস সোসাইটি'।

মরক অসিদা কুমজা ১৯৪৬কী মার্চ ২৪ দা বৃটিশকী কেবিনেট মিসন্না ত্রান্সফার ওফ পৱারগী নেগোসিয়েট তৌবা লাক্লম্মী। মখোয়না মে ১৬ তা ইন্টরিম গভর্নমেন্ট ওফ কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লিগী রিকমেন্দেদসন তৌরম্মী। ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোকনা অসিগুম্বা কেবিনেট মিসনগী কমপ্রোমাইজ ফোর্মুলা অসিনা ঐখোয়গী কমপ্লিট ইন্দিপেন্দেন্স ফংবা অদুগী লন্বীদা চৎতে, মরম অসিনা রিকমেন্দেসন অসি ঐখোয়না য়াফম থোক্তে হায়বা পাউজেল মীয়ামদা পীরম্মী, মসিগী তায়োন্নবদা কমপ্রোমাইজ থিওরীদা লুপচবা কোংগ্রেসনা খুদক্কী ওইবা শক্তিদা মীকাখিদুনা কেবিনেট মিসনগী রিকমেন্দেসন অদু মতম অদুগী মীয়ামগী আশাগী ওন্ন-তৈনবদা কুমজা ১৯৪৬গী সেপ্টেম্বর ২দা য়াখি।

মতম অসিনা ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোককী মথক্তা থনম্বা অথিংবা অদু কুমজা ১৯৪৬কী জুন থাদা লৌথোকখিরম্মী। অদুদগী পার্টি অসিগী ৱার্কিং কম্মিটিগী মীফম অমা জুন ১০, ১৯৪৬তা বোম্বেদা ফমদুনা জবলপুর রিজোলুসন অদুবু রিএফার্ম তৌদুনা পার্টি অসিগী মেনিফেষ্টো ফোঙখি অমসুং 'ওল পৱার টু দি পীপল' হায়বা স্লোগান অসিগা লোয়ননা পার্টি অসিনা কমপ্লিট ইন্দিপেন্দেন্স নৎতনা দোমিনিয়ন ষ্টেটসতা কমপ্রোমাইজ তৌবগী মায়োক্তা লেপখি।

কুমজা ১৯৪৭কী জন্যুৱারী ১২দগী ১৪ ফাওবা অরাহগী কুমার সিংহ নগরদা ফমখিবা পার্টি অসিগী অনীশুবা ওল ইন্দিয়া কনফরেন্স তা পার্টি অসিগী পোষ্ট ৱার রিভল্যুস্নরি থেসিস পুথোকখি অমসুং লৈবাক অসিগী মীচম মীয়ামদা শক্তি শিন্ননবগীদমক্তা পোষ্ট ৱার রিভল্যুসন অমগীদমক্তা লৈবাক অসিগী লেফ্‌ট পার্টিশিং পুনশিন্নদুনা অমত্তা ওইবা লাঞ্জং চঙশিনমিন্ননবা ৱারেপ অমসুং ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসনা শক্তিগীদমক্তা বৃটিশ গভর্নমেন্টকা কমপ্রোমাইজ তৌনদুনা ইন্দিয়াবু অনী থোক্লা থুগায়ননবা চঙশিল্লক্লিবা চিরোল অদুগী মায়োক্তা ৱারেপ লৌখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগিনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।